# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 01-10-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্র সরকারনা ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা রাজ্যশিং মণিপুর, গুজরাত অমসুং ত্রিপুরাদা লুপা কোতি ৬৭৫ কী মতেং পীরগনি।

২) চীফ সেক্রেটরি বিনিত জোসি অমসুং হোমগী কম্মিসনার শ্রী এন. অশোক কুমারনা ঙরাং ঙমখৈ সহর মোরেদা চত্তুনা মফম অদুগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ বিরেন্দ্র কুমারনা ঙসি নিউ দিল্লিদা দিসএবিলিতি রিহেবিলিতেসন অমসুং স্পেসিয়েল ইদুকেসনগী লমদা জাতিগী ওইনা মকোক ওইরবশিংদা ইকায় খুমবা উৎকনি।

------

পেকেজ (এল) ঃ কেন্দ্র সরকারনা নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফন্দ (এন.দি.আর.এফ)কী মখাদা ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা রাজ্যশিং গুজরাত, মণিপুর অমসুং ত্রিপুরাদা লুপা কোতি ৬৭৫ কী মতেং পীরগনি। অপুনবা শেনফম অসিদগী লুপা কোতি ৬০০ না গুজরাতকী ওইরগনি। লুপা কোতি ৫০ অমসুং ২৫ না ঈচাউনা শোকহল্লবা মণিপুর অমসুং ত্রিপুরাগী ওইনা ওইরগনি হায়রি। রাজ্যশিং অসিদা কুমগী নোংনা কা হেন্না অমাং অতা থোকহনখি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী ৱারোল অমনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা ঈশিং ঈচাউনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা রাজ্যশিং অসিদা পীবা য়াবা তেংবাংশিং

পীরগনি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- চহি অসিদা অসাম, মিজোরম, কেরলা, ত্রিপুরা, নাগালেন্দ, গুজরাত, অন্ধ্র প্রদেশ, তেলঙ্গনা অমসুং মণিপুরদা কুমগী নোংনা ঈচাউ অমসুং চীং নীংখায়বগী থৌদোক কয়া থোকখি। রাজ্যশিং অসিদা কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবুশিং চত্তুনা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অসিগী তুংদা পীখৎলকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না রাজ্যশিং অসিদা মখা তানা অহেনবা শেনফমশিং অসি পীনবা ৱারেপ লৌখিবনি। বিহার অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলদসু অথুবা মতমদা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম য়েংশিন্নবা কেন্দ্রগী মীহুৎ কাংবুশিং থারগনি।

ভিজিৎ (এল) ঃ চীফ সেক্রেটরি বিনিত জোসি অমসুং হোমগী কম্মিসনার শ্রী এন. অশোক কুমারনা ঙরাং ঙমখৈ সহর মোরেদা চত্তুনা মফম অদুগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অসিদা ডাঃ জোসিগা লোয়ননা তেংনৌপল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমার, তেংনৌপলগী এস.পি. রাহুল গুপ্ত, মঙা শুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট রাহুল জৈন অমসুং অতৈ মীহুৎশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মোরেগী তোঙান তোঙানবা লুপশিং- তেংনৌপলগী কুকি ইনপীগী লুচিংবশিং, বোর্দর ত্রেদ এন্দ চেম্বর ওফ কম্মর্স, মণিপুরী মুস্লিম কাউন্সিল মোরে, তামিল সঙ্গম, গোরখা সমাজ, হিন্দুস্তানি সমাজনচিংবশিগী লুচিংবশিংগা উন্নখি। তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী লুচিংবশিং অদুনা চীফ সেক্রেটরিদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিল্লকখি। লুচিংবশিং অদুগা মফম অদুদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমসুং মীয়ামগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি।

চীফ সেক্রেটরিনা মোরে চ্যেক পোষ্টতা চত্তুনা কমপ্লেক্স অদুগী ফিভম য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা মোরে হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং কে.এল.পি. মোরেদা লৈবা রিলিফ কেম্পশিংসু য়েংশিনখি।

জিরি (এল) ঃ   জিরিবাম জিলাগী মোংবুং মৈতৈ খুল, মোংবুং কুকি খুল, কাসিপুর অমসুং বাজিজ্‌রিদা সেকুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা থিবা হুন্থবগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে হায়রি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাডমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- হায়রিবা মফমশিং অসিদা সেক্যুরিতিনা ফোর্সনা কোইশিনদুনা থিবা হুন্থবগী থবক চখবদা মেগজিন য়াওবা সব-মেছিনগন করবাইন অনি, ইপ্রোভাইস বোম অমা অমসুং কাপথোকখ্রবা নোংমৈ মরু কয়া ফংলে। মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে।

বন্দ (এল) ঃ   থা অসিগী ২৭ তা ফাজিনখিবা মীতৈ নহা অনিবু অথুবা মতমদা থাদোকপীরকবা দাবী তৌদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে.এ.সিনা থৌবাল জিলাদা কৌখিবা পুং ৪৮ বন্দ হৌজিক চখরি।

তোবেকো (এল) ঃ  নহাশিংদা হিদাক মনা শিজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক পুম্বদা চখরিবা নেসনেল তোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এন.টি.সি.পি)গী শরুক অমা ওইনা রাজ্য থাক্কী ‘তোবেকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেন টু পোইন্ট ও’ ঙসি নোর্থ এ.ও.সি ইম্ফালদা লৈবা হোটেল ইম্ফালদা হৌদোক্লগনি।

ষ্টেট হেলথ সোসাইতি, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমসুং রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা রাজ্যগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন সিংহ শরুক য়াগনি। ঙসি কেম্পেন হৌদোকপগী থৌরম অসিদা হেলথ ৱার্করশিংগী গাইদ লাইন ফোংবা, খুল অমবু হিদাক মনা শিজিন্নদবা এস.ও.পি অমসুং মসিগা মরী লৈনবা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংদা পীবা আইনগী ওইবা গাইদ লাইনশিংগী মতাংদা খন্নগনি।

জেনিমস (এল) ঃ জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) পোরোমপাৎ ইম্ফালদা তল্লিবা এম.বি.বি.এস অমসুং বি.দি.এস ২০২৪ বেটচকী হ্বাইট কোট অমসুং ৱাশক লৌবগী থৌরম ইন্সটিট্যুট অসিগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোক্লগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন শরুক য়াগনি।

এআর (এল) ঃ  ইং কুমজা ২০০7 কী সেপ্তেম্বর ৩০ দা মণিপুরগী হিংলয়াম এরিয়াদা লালহৌবশিংগা খুৎ থোকবদা লৈখিদ্রবা অসাম রাইফলসকী রাইফলমেন মাতোরবা আওগী মফমদা ঙরাং অসাম রাইফলসনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

হেদক্বাটরস আই.জি.এ.আর (সাউথ)না থোকপা চেরোল অমনা হায়-রাইফলমেন অসিনা লৈবাক অসিগীদমক থৌনা ফনা কৎথোকখিবা অদুবু ফোর্স অসিনা ইকায় খুমবা উৎলি। থৌরম অদু ঙরাং চান্দেল জিলাগী মোদিদা পাঙথোকখিবনি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ  গ্রেস কোতেজ কলচরেল এন্দ ইদুকেসনেল দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসন ককচিংনা শিন্দুনা থা অনি চুপা চথরকপা খুবাক ঈশৈ অমসুং হোলি ঈশৈগী ৱার্কসোপ ঙরাং লোইশিনখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ভারত সাফ অন্দর সভেন্তিন ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ৱিন্নর ওইরে। ঙরাং ভুতানগী তিমফুদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভারতনা বঙ্গলাদেশপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

বিরেন্দ্র ঃ  কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ বিরেন্দ্র কুমারনা ঙসি নিউ দিল্লিদা দিসএবিলিতি রিহেবিলিতেসন অমসুং স্পেসিয়েল ইদুকেসনগী লমদা জাতিগী ওইনা মকোক ওইরবশিংদা ইকায় খুমবা উৎকনি। ডাঃ কুমারনা

ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতি বিভাগকী মখাদা লৈরিবা রিহেবিলিতেসন কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াদা এফিলিয়েট তৌরবা নেসনেল রিহেবিলিতেসন একজামিনেসন বোর্দনা শিনবা কনভোকেসন সেরেমোনিদা শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট রাজ্য মন্ত্রিশিং- বি.এল. বরমা অমসুং রামদাস অথাৱালেসু শরুক য়াগনি।

মিথুন ঃ এক্তর মিথুন চক্রবর্তিদা দাদা সাহেব ফালকে এৱার্দ পীরকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকা সিনেমাগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌববু শকখঙবা ওইনা মিথুন চক্রবর্তিদা লেমজনিঙাই ওইরবা দাদা সাহেব ফালকে এৱার্দ পীবনি। মসিগীদমক্তা মহাক নুংঙাইবা পোকই। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মিথুন চক্রবর্তি অসি তোঙান তোঙানবা শক্তম লাংখিবগীদমক মীয়ামা পামরবা কলচরেল আইকোন অমনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হোষ্টেজ ওইনা লৈরিবা ইচা অনি কন্ননবা সেন্তর অমদি ষ্টেট লৈঙাকা য়ামা কন্না হোৎনরিবা সি.এমগী ৱাফমগী নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা- কুকিনা মী অনি ফাজিনবগী মায়োক্তা খোইশাওনরবা মীয়ামা থৌবাল লন্বী থেংখ্রে, পুং ৪৮ গী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বন্দ কৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ পাউচেদসু অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেস পাউচেদা- তম্পাক্কী পুলিস ষ্টেসন ১৯ না কোনবা মফম য়াওদনা মণিপুরদা অফম্পা থা ৬ শাংদোকখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নৌনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ মক হন্দোকবা দিমান্দদা য়ু.এন.সিনা পুং ৪৮ গী বন্দ কৌখ্রে হায়না মণিপুর নিউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কেন্দ্র সরকারনা পান্নবদি অসাম রাইফলসনা মিলিটেন্টশিংদগী নহা অনি অদু কনবীবা ঙমগনি হায়বা সি.এল.পি- ও. ইবোবীগী ৱাফমনা হুম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা কুকি লালহৌবশিংনা হোম মিনিষ্টর অমিত সাহগী ৱা তাগনি হায়দুনা ফোংলি।

সনালৈবাক পাউচেদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা মৈতৈশিং খুন্দাহনবা য়ারোই, পুলিস কম্মান্দোশিং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টগী খুদক্তা লৌথোকউ হায়বা কুকি লুপশিংগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইরাংগী হৌরকফম লৈবগুম, ৱারোইশিনসু লৈগনি হায়বা ডাঃ নরাগী ৱাফমনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

রাজ্যগী দি.জি.পিদা ফাজিনখিবা নহাশিং অদু থাদোকবা থবকশিং পায়খৎনবা খঙহনখ্রে হায়বা সি.এমগী ৱাফমনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা য়ু.সি.এম. অমসুং ইপসানা মৈতৈ নহা অনি ফাজিল্লগা হোষ্টেজ থম্বগী থৌওং অসি য়ানিংদে হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফমসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- নৌনা শেমখিবা দিষ্ট্রিক্ট অহুমগী ৱাফমগী মতাংদা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শান্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসনা অথুবা মতমদা চত্থরগনি হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা ২০১৬ তা নৌনা শেমখিবা জিলা ৭ কী ৱাফম হন্দোকউ হায়না ওক্তোবর অহুমদগী নাগা তাবা মফমশিংদা পুং ৪৮ গী বন্দ কৌরি হায়না তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------